

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, NOVEMBER 27, 2019 **PAGE 7**




*নবেম্বর ২৯ দগী হৌগদৌরিবা সেনিয়র নেসনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ভিনেস ফোগট*

*ওল ইন্দিয়া ওপন বিলিয়ার্দর্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা উত্তর প্রদেশকী শান্নরোই অক্ষ্য কুমারবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা পঙ্কজ অদবানি*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯-২০ ঃ* সর্জিও কাষ্টেলগী গোলনা জমসেদপুরনা গোৱাবু ১-০ দা থোইখ্রে



*গোৱা সিটি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি গোৱাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা জমসেদপুর এফ সি অমসুং গোৱা এফ সিনা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা সর্জিও কাষ্টেলনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোলনা জমসেদপুরনা গোৱাবু গোল ১-০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফমদা হাইগৎখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী ৮শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা গোৱা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জেক্কী চান্দনা কাওশিনখিবা য়াম্না শাফু কনবা সোট অমা জমসেদপুর এফ সিগী গোলকিপর সুব্রতা পোলনা মহাক্কী য়েৎথংবা খূৎনা য়াম্না ফজনা ঙাকথোকখিবদগী গোৱানা গোল মাঙজিল থারম্বা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ভিজিটর টিম ওইখিবা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না অকনবা এটেক চখ্খদুনা গোৱাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

শান্নবগী ১৭শুবা মিনিটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা স্পেন মচা সর্জিও কাষ্টেলনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা গোৱা এফ সিগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর হেন্না পীশিনবা হৌখি।

জমসেদপুরগী শান্নরোই কাষ্টেলনা ঙসি চনখিবা গোল অসি থারগা সিজন অসিগী ৪শুবা গোল ওইদুনা টোপ স্কোর ওইদুনা চৎলি।

গোল শোত্থরিবা গোৱা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেক ফংবগা জমসেদপুর এফ সিগী মায়কৈদা পুশিন্দুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৩৪শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চখ্খরকখিবা এটেক অমদা গোৱাগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা লৈখিবা বোল অদু গোৱাগী দিফেন্দরশিংনা হৈ-শিংনা মুন্দুনা গোল ওইরমগদবদগী কনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল লৈনখিদবদগী জমসেদপুরনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখ্রবসু অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী জমসেদপুরনা গোৱাবু গোল ১-০ দা থোইদুনা টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা কাখৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা য়ুম্বু ওইরগা মুম্বাই সিটি এফ সিগা শান্নরগনি।

## প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ ওক্সনদা সিন্ধু অমসুং টাই ঝু য়িং বেঙ্গালুরু রেপ্টর্সনা লুপা লাখ ৭৭ / ৭৭ তা লৈখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ওইরিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) ২০১৯-২০ সিজনগী ঙসি পাঙথোকখিবা ওক্সনদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু রেপ্টর্সনা খ্বাইদগী তাঙবা মমল ওইনা লুপা লাখ ৭০ / ৭০ দা শান্নহন্নবগী লৈখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ওক্সন অসিদা বেঙ্গালুরু রেপ্টর্সনা পুনে ৭ এসেসকা হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং লৈননবা বিদ তৌনখিবনি। অদুবু অরোইবা বেঙ্গালুরু রেপ্টর্সনা ঙমদুনা মখোয় অনীবু লুপা লাখ ৭০ / ৭০ দা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি সাই প্রনিথসু বেঙ্গালুরু রেপ্টর্সনা লুপা লাখ ৩২ দা লৈখি। ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী শান্নরোই বি সুমিত রেদ্দি চেন্নাই সুপরষ্টারজনা লুপা লাখ ১১ দা লৈখি অদুগা চিরাগ সেট্টিনা পুনে ৭ এসেসনা লুপা লাখ ১৫.৫০ দা লৈখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৯ ওইরিবী য়ু এসকী শান্নরোই বৈৱেন ঝাংসু অৱাধে ৱারিয়র্সনা লুপা লাখ ৩৯ দা লৈদুনা মখা তানা টিম অসিদা থম্বা ঙমখি। নেসনেল বেদমিন্টন কোচ পুল্লেলা গোপিচান্দগী মচানুপী গায়ত্রি গোপিচান্দ চেন্নাই সুপরষ্টারজনা লৌখি অদুগা অসামগী সট্টলর অসমিতা চালিহানা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সনা লুপা লাখ ৩ দা লৈখি।







প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ সিজন ৫ অসিদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বী শ্রিকান্থ মখা তানা শান্নরক্কদবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টশিংগী য়েংলগা শরুক য়াররোই। শ্রিকান্থতি কুমজা ২০২০ দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অসিগী মাঙওইননা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা অকনবা মীৎয়েং থম্লি।

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী ৫শুবা ইদিসন অসিদা টিম ৭ না লম্বা তৌনগনি। টিমশিং অদুদি অৱাধে ৱারিয়র্স (লক্ষনৌ), বেঙ্গালুরু রেপ্টর্স (বেঙ্গালুরু), মুম্বাই রোকেটস (মুম্বাই), হায়দরবাদ হন্টর্স (হায়দরবাদ), চেন্নাই সুপরষ্টারজ (চেন্নাই), নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্স (নোর্থ ইষ্ট) অমসুং পুনে ৭ এসেসনি।

মথং চহীগী জনুৱারী ২০ দগী ফেব্রুৱারী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ সিজন ৫ অসিদা ইন্দিয়াগী সট্টলর ৭৪ শরুক য়ারি। মখোয়গী মনুংদা সাই প্রনিথ অমসুং লক্ষ্য সেন পনবা য়াই।

## ইন্দিয়াগী টাইক্বান্দো টিম এস এ জিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

টাইক্বান্দোগী ইন্টরনেসনেল বোদি অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড টাইক্বান্দোনা মীৎয়েং চঙলকপদগী ইন্দিয়াগী টাইক্বান্দো টিম নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ান গেমস এস এ জি) দা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, নেপাল ওলেম্পিক কম্মিটিনা থা অসিগী ২৩ দা ইন্দিয়াগী আর্চরি, টাইক্বান্দো অমসুং করাটেগী এঠলেটশিং চত্থগদৌরিবা রিজনেল মল্টি-স্পোর্টিং ইভেন্টতা অসিদা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লকখিবনি। নেপালগী ওলেম্পিক কম্মিটিনা ইন্দিয়াগী আর্চরি, টাইক্বান্দো অমসুং করাটেগী এঠলেটশিং অসিবু শান্নবগী লৈরিবা ৱার্ল্ড বোদি নৎত্রগা নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা রিকোগনাইজ তৌদব্রা হায়বগী ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা এঠলেটশিং অসি চত্থগদৌরিবা গেমস অসিদা শরুক য়াবদা অথিংবা থমখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা গেমস অসিগী ওর্গনাইজরশিং কুপ্না খন্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী টাইক্বান্দো টিম্বু চত্থগদৌরিবা গেমস অসিদা শরুক য়াহনবদা অয়াবা পীরকখিবনি।

টাইক্বান্দো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অসি ৱার্ল্ড টাইক্বান্দোনা মখোয়গী চৎন-কাঙলোনগী ইশু অসিনা মরম ওইরগা সস্পেন্দ তৌখিবনি। অদুবু মশান্না অসিগী মরক্কী বোর্দ অমা শেমদুনা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন অমসুং ৱার্ল্ড টাইক্বান্দোনা নুংতিগী ওইবা চত্থরিবা থবক থৌরমশিং পূন্নমক অসি য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা এষ্টোন ভিল্লাদা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু ২-০ দা থোইখ্রে, সেরি এদা স্পাল অমসুং জেনোৱা দ্রো চৎখ্রে

*এষ্টোন ভিল্লা, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*


ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা এষ্টোন ভিল্লানা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইটালিগী সেরিজ এদা স্পাল অমসুং জেনোৱা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

এষ্টোন ভিল্লা অমসুং ন্যুকেষ্টলনা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মিনিট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী মিনিট ৩২ চৎপদা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই কোনোর হৌরিহানেগা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

এষ্টোন ভিল্লাদা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেটচকী ৩৬শুবা মিনিটতা টিম অসিনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা অনৱার ইল ঘাজীনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা ন্যুকেষ্টলর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা এষ্টোল ভিল্লাগী মায়কৈদা এটেক খরা চত্থবা ঙমখ্রবসু এষ্টোন ভিল্লাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা লৈখিবদগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লৈখি।



অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না কনশিল্লক্তুনা পাঙ্গল হন্দোক্নবা এষ্টোন ভিল্লাগী মায়কৈদা এটেক কয়া চত্থদুনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অসি এষ্টোন ভিল্লাদা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিদা লিভরপুলনা মেটচ ১৩ দা পোইন্ট ৩৭ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি, লৈকেষ্টর সিটিনা মেটচ ১৩ দা পোইন্ট ২৯ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন অদুগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পোইন্ট ২৮ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা স্পাল অমসুং জেনোৱা গোল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

স্পাল অমসুং জেনোৱানা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখ্রবসু অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা ৫৫শুবা মিনটতা স্পালনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা এন্দ্রিয়া পেটাগনানা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট ২ লৈরগা জেনোৱাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ষ্টেফানো ষ্টুরারোনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ১-১ দা দ্রো চৎখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা জুবেন্টসনা মেটচ ১৩ দা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। ইন্টরনা মেটচ ১৩ দা পোইন্ট ৩৪ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা জুবেন্টসপু নক্না ইন্নরি অদুগা লাজিওনা মেটচ ১৩ দা পোইন্ট ২৭ তা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি।

## অতানু দাসনা রিকর্ভ ইন্দিভিজুয়েলদা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

*কোলকটা, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর অতানু দাসনা এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী রিকর্ভ ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী আর্চরি ফেদরেসন অসি মতম খরগী মমাঙদগী ইন্টরনেসনেল আর্চরি ফেদরেসননা অথিংবা থমদুনা লাকখিবদগী চত্থরিবা এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী আর্চরশিং অসি ন্যুট্রেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখিবনি।

এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী রিকর্ভ ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টকী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর অতানু দাসনা কোরিয়াগী আর্চর জিন হায়েক ওহবু য়াম্না নক্নবা স্কোর পোইন্ট ৬-৫ দা থোইদুনা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি।



পনবা য়াই, এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা রিকর্ভ মিক্স ইভেন্ট ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী পেয়র অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারী মায় পাক্তুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কম্পাউন্দ মিক্স পেয়র টিমদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অভিসেক ভর্মা অমসুং জ্যোতি সুরেখা ভেন্নামনা গোল্ড মেডল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

## কোহলি টেষ্ট রেঙ্কিংগী নম্বর ৱান ওইবগী লম্বেলদা নকশিনখ্রে

*দুবাই, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকখিবা ক্রিকেট মশান্নগী টেষ্ট বেটসমেন রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী লম্বেলদা নকশিনখ্রে।

হন্দক্তা কোলকটাদা ইন্দিয়াগী টিম্না বাংলাদেশকা শান্নখিবা অনীশুবা দে এন্দ নাইট টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ১৩৬ লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক-হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথতগী পোইন্ট ২৫ খেৎনরম্বা অদু শুপ্পগী পোইন্ট ৩ খক ঙাইখ্রে।

টেষ্ট বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথনা পোইন্ট ৯৩১ ফংদুনা লুচিংলি অদুগা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা পোইন্ট ৯২৮ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা কন্না ইন্নরি।

ইন্দিয়াগী ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱা আই সি সি গী টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা টোপ টেনগী মনুংদা চনখ্রে। মহাক্না পোইন্ট ৭০০ ফংবা ঙম্লি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা (৭৯১) অমসুং অজিনক্য রহানে (৭৫৯) ফংদুনা মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরিবা ঙম্লি।

আই সি সিগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী ওল রাউন্দরগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রবিচন্দ্রন আস্বিন হান্না লৈরম্বা মফমদগী থাক অমা হন্থরগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

## ৱাদানা রুশিয়াবু চহী ৪ ওলেম্পিক গেমস শরুক য়াহন্দনবগীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

রুশিয়াগী কোনুং মোস্কোদা হৌজিক লৈরিবা লেবোরেটরি অসিদগী লাকখিবা দেটাশিং অসি শেমদোক-শেমজিন তৌই লোয়ননা মখোয়না পীরকখিবা টেষ্টকী রিজল্টশিং অসি মতিক চাদে হায়বগী মরালদা ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না রুশিয়াবু চহী ৪ ওলেম্পিক বেন তৌখ্রে।

ৱাদাগী ইন্দিপেন্দেন্ট কমপ্লায়েন্স রিভয়ু কম্মিটিগী ঙসি ফমখিবা মীফমনা রুশিয়া লৈবাক্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনেল ইভেন্টশিং অদু অতোপ্পা লৈবাকশিংদা হোংদোক্নবা অমসুং হোষ্ট ওইবগী বিদ তৌহন্দবা হায়বা ৱারেপশিং অসি লৌদুনা লৈবাক অসিবু ওলেম্পিক গেমসতগী চহী ৪ অথিংবা থম্নবা রিকমেন্দ তৌখিবনি।

চহী ৪ অথিংবা থমখিবা অসিনা মরম ওইরগা রুশিয়া মথং চহীদা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অমসুং কুমজা ২০২২ দা চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর গেমস অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি।

ৱাদাগী ইন্দিপেন্দেন্ট কমপ্লায়েন্স রিভয়ু কম্মিটিনা ঙসি পুথোরকখিবা লমায় ২৬ পানবা রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ফোঙদোরকপদা রুশিয়ান এন্টি দোপিং এজেন্সিনা মখোয়গী লৈরিবা দেটাশিং অদু শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়না মরাল শীখি।

নাকল অমরোমদা, রুশিয়ান এন্টি দোপিং এজেন্সি (রুশা) গী চীফ য়ুরী জেনসনা হিরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনদা য়েংশিনবিনবা হায়জখ্রে। য়ুরী জেনসনা লৈবাক অসিগী অনৌবা স্পোর্টস মেনেজমেন্ট অমা শেম্বা মথৌ তারে হায়নসু প্রসিদেন্ট পুটিনগী পূক্নিং চীংশিনখ্রে।

ক্রোসৱার্দ ৩৫০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | E | R | P | | P | A | I | L | S | | I | R | M | A |
| A | L | E | E | | O | R | B | I | T | | T | E | A | S |
| L | A | P | T | O | P | C | A | S | E | | A | C | T | S |
| C | L | O | R | I | S | | | A | N | A | L | Y | Z | E |
| | | | I | L | I | C | H | | T | R | I | C | O | T |
| B | E | E | F | | C | O | O | P | | S | A | L | | |
| E | N | V | Y | | L | U | L | U | | O | N | E | N | O |
| A | Y | E | | F | E | L | D | M | A | N | | B | E | L |
| D | A | N | T | E | | D | E | M | S | | A | I | R | E |
| | | I | A | M | | A | R | E | S | | U | N | D | O |
| F | A | N | O | U | T | | S | L | A | N | G | | | |
| L | E | G | I | R | O | N | | | Y | O | U | A | R | E |
| U | R | B | S | | B | A | T | T | E | R | S | B | O | X |
| F | E | A | T | | E | T | H | E | R | | T | E | M | P |
| F | O | G | S | | D | E | E | D | S | | A | L | P | O |


# URGENTLY WANTED

## IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE

**PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST, MANIPUR-795001**

**Regd. No. MN04E0008451**

| Name of Post | Qlfn. | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. Hospital Adm. Off. | B.H.A. | 1 | At least 1 yr. | 12000-20000 |
| 2. Medical Transcriptionist | Relevant Cert. | 3 | Required | 7000-14000 |
| 3. Rediology | Relevant Cert. | 3 | 2yrs .exp. | Negotiable |
| 4. Lab. Tech. | Relevant Cert. | 10 | 3yrs. exp. | Negotiable |
| 5. A.N.M. | Relevant Cert. | 10 | Required | 8000-15000 |
| 6. G.N.M. | Relevant Cert. | 30 | Required | 10000-18000 |
| 7. Male Nurse | Relevant Cert. | 10 | | 10000-18000 |
| 8. Marketing (Medical Representative) | Graduation | 2 | 3yrs. exp. | 10000-18000 |
| 9. Sweeper | 8th Passed | 2 | | Negotiable |
| 10.Peon/ Helper | 8th Passed | 4 | | Negotiable |
| 11.Runner | 8th Passed | 4 | | Negotiable |

**Date of Interview : 1st & 2nd Dec. 2019 at 10 a.m. to 4.00 p.m.**
**Last date of form submission is 30th November, 2019**
**Forms will be available at the Office at Office hour**
**For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891**

*SL/5534/24-27 Nov.2019*


**Central Agricultural University**
**College of Agriculture**
**Department of Soil Science & Agricultural Chemistry**
**Iroisemba, Imphal - 795004 Manipur (India)**

**CORRIGENDUM**

In partial modification to the earlier notice No. CAU/ COA/SSAC/AICRP(MSPE)/2015 dated 25.11.2019 vide which the **Walk-in-Interview** for the post 2 (two) of **Junior Research Fellow** under AICRP on Micro-and Secondary Nutrients and Pollutant Elements in Soils and Plants, CAU, Imphal Centre scheduled to appear before the Selection committee on 27/11/2019 at 1.00 p.m., it is hereby informed that the Walk-in-Interview is being postponed and rescheduled on 02/12/2019. Rest of the details remain unchanged.

Sd/- Prof.Indira Sarangthem,
Principal Investigator
Dept. of Soil Science & Agril. Chemistry
College of Agriculture, CAU

*SL/5545/27*